**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-09.2024)**

**জিরি (এল)ঃ** মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা, জিরিবামদা মতম খরা শান্তি ওইন লৈরুরবা তুংদা খঙহৌদনা ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদগী খারোমদা কিলোমিটর তরেৎমুক চৎলগা লৈবা মফম, নুঙচেপ্পীদা মশাগী য়ুমদা তুমদুনা লৈবা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলল্লে। লৈখিদ্রবা মীওই অদু য়ুলেম্বম কুলেন্দ্র কৌই।

থৌদোক অসিগী মতুং তারকপদা মফম অদুদা নাকল অনিগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপরকপদগী মীওই মঙা অমগা অমুক নোংমৈনা পা দুনা লৈখিদবগা লোয়ননা ঙসি জিরিবামগী হিংশাগী থৌদোক্তা পুন্না মীওই তরুক লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা হকচাংশিং পোষ্ট মোর্টেমগীদমক সিলচরগী এস.এল.সি. হোস্পিতালদা পুখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীফা মীপুনগী পাউ লৈত্রি। অদুম্মকপু, জিলা অসিদা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনব অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা, জিরিবামদা নৌনা ওইরক্লিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিগী য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিত্যাগী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা জিলা অদুগী মফম খুদিংমক্তা অথিংবা থমলে। অথিংবা অসিগী মখাদা মী মঙা নৎত্রগা মী মঙাদগী হেন্না পুনবা, শোকপা পনবা য়াবা খুৎশু-খুৎলায় পুদুনা চৎপা য়ারোই। অথিংবা অসি ঙসিদগী হৌরগা মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

অমরোমদা, তুমদুনা লৈরিঙৈদা লৌমী অমবু মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা

হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু মনিপুর লৌমী লুপনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবাশিং ফাননবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিরিবামগা লোন্নবা খুলশিংদা কোম্বিং ওপরেসন চত্থগদবনি হায়না দাবী তৌরি।

**সেভক (এল)ঃ** হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কুকি লালহৌবনি চিংনবশিংনা দ্রোন, রোকের্ট অমসুং মীসাইল শিজিন্নদুনা কৌব্রুক, ত্রোংলাউবী অমসুং মোইরাংদা চত্থরকখিবা এটেক অদুবু রাস্ত্রিয়া স্বয়ম সেভক সঙ্ঘ-মনিপুর প্রন্টনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা লৈবাক অসিদা হান্নগী মতৌগুম শান্তি হনজিল্লকবা রাজ্য অমসুং কেন্দ্র সরকার অনিমকা পুকচেল শেংনা থবক তৌবীনবা রাস্ত্রিয়া স্বয়ম সেভক সঙ্ঘ-মনিপুর প্রন্টকী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

যুনাইটেদ মীতৈ পাংঙল কমিতিনসু চত্থরক্লিবা থৌওং অসিবু পেন্দবা ফোংদোক্তুনা লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও. অমদি রাজনিতি দলশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনদুন রাজ্য অসিদা মহৌশাগুম শান্তি হনজিল্লকবা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমীন্নবগী মতম ওইরে। সরকারনসু অথুবা মতমদা অকনবা মীৎয়েং চংবিদুনা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

**য়ুথ (এল)ঃ** মনিপুরদা অফবা মখলগী খুৎশু খুৎলায় শিজিন্নদুনা মীচম মীয়ামদা খুৎ থাবা অমদি য়ুম মৈ থাবগী থৌওং চত্থরবা ফাওবদা সরকারনা তুমিন্না য়েংনদুনা লৈশিনবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি হায়না য়ুথ ওফ মনিপুরনা পেন্দবা ফোংদোরক্লি।

ইস্ফালদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা য়ুথ ওফ মনিপুরগী চেয়ারমেননা হায়-ইরাং অসিদা মীচম মীয়ামগী পুন্সি কয়া মাঙহনখ্রে, কয়া অমনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রে। ফিভম অসি লৈরবা ফাওবদা সরকারনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎত্রবদি য়ুথ ওফ মনিপুরনা তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়রি।

**এমপিপি (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা চহি মে অহুমদগী লেপ্তুনা চথরক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা লমদম অসিদা লৈমিন্নরক্লিবা য়েলহৌমীশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা অপুনবগী শক্তম ঙাকবা হোৎনমীন্নসি হায়না মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) না আপিল তৌরি।

রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা মেদিয়ানসু অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়রি। কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকার অনিনা থৌশিল অমা পুথোক্তুনা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিনগদবনি হায়রি।

**কোকোমি (এল)ঃ** কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না ঙরাং লাউথোকখিবা পব্লিক ইমর্জেন্সিনা মরম ওইদুনা ঙসি লম্বীদা গাড়ি চেনবা অমদি কৈথেলশিংদা দুকান চাং হন্থখি।

ইমর্জেন্সি মনুংদা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাদা ঙসি জিলা অসিগী কলেজগী মহৈরোইশিংনা ঐখোয় লাইরিক তম্বা পাম্মী হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চংশিনখ্রে।

থৌবাল মেলা গ্রাউন্দগী য়াইরিপোক লমখায়দা চংশিনখিবা খোঙজং অদু তুংদা থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী গেট ফাওবা চংশিনদুনা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংনা রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি পুরক্তুনা মহৈরোইশিং তংদু লৈতানা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়না সরকারগী পুকিং চিংশিনখি।

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ক্লিন ইয়ার ফোর ব্লু স্কাই থৌরম মনিপুরদসু পাঙথোকরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনসু থৌরম অসি জিলা অসিদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিং-কদাংবন্দ, অৱাং জিরি, মালোম টুলিয়াইম অমদি

হৈক্রুজমদা লৈবা হেলথ সেন্টরশিং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিনা মীয়ামদা ঈশিং নুংশিৎ শেংহনবা অমদি হকচাং ফনা থমবগী মতাংদা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহনবদা অচৌবা মতেং ওইরি। থৌরমগী মনুং চন্না হেলথ চেকঅপ তৌবা, স্কুলশিংদা পোষ্টর কেম্পেইন চথবা, রেল্লিনচিংবা পাঙথোকপা কয়া য়াওরি। থা অসিগী অনিদগী চয়োল অমা চুপা চথরল্লিবা থৌরম অসি হয়েং লোয়শিনগনি।

**কোর্স (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী দাইরেক্তোরেট ওফ পাব্লিক রিলেসন্সনা শিনদুনা লৈবাক অসিগী পাউমীশিংগী ওইবা দিফেন্স করেন্সপোন্দেন্টস কোর্স ঙসি লোয়শিনখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্স অমদি হন্দিয়ান নেভিগী বেজশিংদা কোর্স তৌরুরবা মতুং হৌজিক জম্মু কাশ্মিরদা ইন্দিয়ান আর্মিগী সেক্সনদা কোর্স তৌরিবা জর্নেলিষ্ট ৩৪ বু তরামা ওকপগী থৌরম অমা নোর্দন কম্মান্দগী উধমপুরদা লৈবা রেজাংলা হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা, নোর্দন কম্মান্দগী জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং ইন-চীফ, লেফটনেন্ট জেনরেল-এম.ভি. সুচিন্দ্রা কুমারনা দিফেন্স করেস্পোন্দেন্টস কোর্সতা শরুক য়াখিবা পাউমীশিংদা পুকিং থৌগৎপা ৱাহৈ কয়া ফোংদোকখি।

দিফেন্স করেস্পোন্দেন্টস কোর্সতা শরুক য়ারুরবা পাউমীশিং অদুনা পুঞ্চ রাজোলিগী লাইন ওফ কন্ত্রোলদা এন্টি ইনফিল্ডত্রেসন সিষ্টেম য়েংনবগী খুদোংচাবা অমদি মফম অদুগী লম্মিৎ-তুম্মিৎকী ফিভমশিং খঙহনবা অসিসু কোর্স অসিগী শরুক অমা ওইখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** বিল্ডিং হেল্ডিয়ার কম্যুনিতি থ্রু কম্যুনিতি এনগেজমেন্ট এন্দ লোকেল ইন্সিসিয়েটিবস হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী জোয়পুর খুনৌ বজারদা ঙসি

পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পিপলস রিছোর্স দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন (পি.আর.দি.এ) গা শুভান ফাউন্দেসন অমসুং হোম সাইন্স এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরনা শিনদুনা সি.দি.পি.ও, আই.সি.দি.এস. বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রিছোর্স পাসনশিংনা মীরোনবী মমা অমদি খোল্লাং পীথক্লিবা মমা ওইবীশিংনা মতৌ করমা মশা-মউ ফনা লৈগদগে হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**ব্লড (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সনা কংলৈ চানুরা অমসুং য়ুথ রেড ক্রোস য়ুনিট-ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজকা খুৎশমরগা 'নো টু দ্রগ, য়েস টু হেলথ' হায়বা হীরমদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঈ দান তৌবগী থৌরম অদু ইম্ফালগী জেনিমস অমসুং শিজ হোস্পিতাল-লাঙ্গোলদা পাঙথোকখি। মদুদা পুন্না মীওই ৫৩ না ঈ দান তৌখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংগী মখাদা পাঙথোক্কদবা অনিশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল তমেংলোং স্কুলস দিভেটিং চেম্পিয়নসিপ চৎলিবা থা অসিগী ৩০ দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা পাঙথোক্লগনি হায়না দি.সি. তমেংলোংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কুমশি চহিগী থিমদি-'বেট্টল ওফ ব্রেন্দস টু পোইন্ট জিরো' হায়বসিনি। মকোক মথং তারবশিংদা লুপা লাখ অমগী শেনফম য়াওনা মেদল, সার্টিফিকেট, ত্রোফিনচিংবসু খুৎশিন্নগনি হায়রি। এপ্লিকেসন ফোমশিং তমেংলোংগী জোনেল এদুকেসন ওফিসতগী থা অসিগী ১০ দগী লৌরবা য়াগনি। এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৪ নি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** ঐচ.আই.ভি-এইদস অমসুং সেক্সচুয়েল্লি ত্রান্সমিটেদ ইনফেক্সন (এস.টি.আই) হায়বা হীরম অসিগী মতাংদা স্কুল লেবেল ইনটেন্সিফাইদ কেম্পেইন অমসুং এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা নোনে জিলাদা লৈবা বিরিন বেপটিস একাডমীদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

এৱারনেস প্রোগ্রাম অসি দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিট-তমেংলোংনা শিনবনি। মহৈরোই অমসুং ওজা পুন্না ১০০ হেনবনা ঙসিগী থৌরমদুদা শরুক য়াখি অমসুং অখঙ অহৈ কয়ানা ঐচ.আই.ভি-এইদসকী মরমদা ৱা ঙাংখি।

**বোর্ড(এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা শিনদুনা মতৌ করমা ক্কোইসন শেমগদগে হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা থা অসিগী ৯ দগী হৌদুনা ১৩ ফাওবা বোর্ড অসিগী হোলদা পাঙথোক্লগনি। মসি বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসসন মনিপুরগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়বনি।

**ভোল্লিবোল (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা মীয়ামগা অফবা মরী থমবগী পান্দমদা খুঞ্জাশিংদা মরুপ-মপাং ওইনা ভোল্লিবোল শান্নবগী থৌরম অমা নোনে জিলাগী এল. খুনৌ ভিলেজতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নহা কয়াবু অচুম্বা মায়কৈদা পুরকবা হোৎনবগীদমক খুঞ্জাশিংনা অসাম রাইফলসপু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা বিধান সভা মীখল মতুংদা জম্মু কাশ্মিরবু ষ্টেটহুড অমুক হনজিলহল্লগনি হায়না ঙসি থাজবা পীখ্রে।

জম্মুদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-জম্মু কাশ্মিরগী ওইনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা

সরকার অসিনা আর্টিকল ৩৭০ মুথৎলবা মতুং ভারতকী ফিরাল অমসুং সংবিধানগী চৎন-কাঙলোন ঙাকা পাঙথোকপা অহানবা মীখল ওইগদৌরিবনি।

শ্রী অমৃত সাহনা মখা তানা কংগ্রেস নেসনেল কনফরেন্স কম্বাইননা জম্মু কাশ্মিরবু হান্নগুম হিংশাগী লমদা অমুক হনজিন্নবা শিল্লন্মী হায়না মরাল শিখি। শ্রী অমৃত সাহ জম্মু কাশ্মিরগী তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্কদবা বিধান সভা মীখলগীদমক ভোট খোমবা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং জম্মু কাশ্মিরদা থুংখিবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি-লৈবাক অসিদা ভিক্সিত ভারতকীদমক নহাশিংগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসি ওজাশিংগী খুৎতা লৈ।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা নেসনেল টিচরস এৱার্ডকা মরী লৈননা ওজাশিংগা উন্নবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভিক্সিত ভারতকীদমক মতিক চাবা নহা অমসুং মহৈরোইশিং পুথোকবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নগদবনি।

শ্রী মোদিনা হায়-ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াগী মতাংদা খঙহন্নবা ওজাশিংনা মহৈরোইশিংবু এদুকেস্নেল টুরনচিংবা শিনবীগদবনি। মসিনা মখোয়গী মহৈ মশিং তম্বগী লমদা হেন্না কান্নবা পীবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী মরমদা হেন্না মমুৎ তানা খঙবদসু অচৌবা মতেং ওইগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী টুরিজমগী লমদা অচৌবা মতেং ওইবতা নত্তনা রাজ্যশিংগী শেল থুমগী ফিভমদসু অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমগনি।

**জগদিপঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়-শিক্ষানা সমাজ অমদা অহোংবা কয়া পুরকই। লোয়ননা ফত্তবা হৈনবী কয়াবুসু মাঙহনদুনা অফবা লম্বীদা পুরকপা ঙম্মী।

উত্তর প্রদেসকী গোরাগপুরদা ঙসি অনোবা সৈনিক স্কুল অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-মহাক মশামক চিতোগর সৈনিক স্কুলগী ছাত্রা ওইনা হৌরকপা মরমনা ঙসিগী অসিগুল্লবা অনৌব সৈনিক স্কুল অমা শঙ্গাবগী

থৌরমদা শরুক য়াবা অসি য়ামা হরাউবা পোকই।

শ্রী ধনকরনা হায়-মহৈরোইশিংনা মায়থিগনি হায়বগী অকিবা লৈতনা মাগী মাগী অপান্বা লন্বীদা পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনগদবনি। মায়থিবা হায়বসি মায় পাকপগী লন্বীদা চংশিল্লকবগী অহানবা লন্বীনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা হায়-গোরাগপুর অসি নেপাল, পুরবানচল অমসুং বিহারগী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা মীওই কোতি অহুমলোমগী অনা লায়েং অমসুং মহৈ মশিং তম্বগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইরিবা মফম অমনি।

**মিসাইলঃ** ভারতনা ময়াই ওইরপ শানবা বালিসটিক মিসাইল, অগনি ফোর মায় পাকা চাংয়েং তৌখ্রে। মিসাইল অদু উরিসাগী চান্দিপুরদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেট টেস রেঞ্জদগী কাপখত্তুনা চাংয়েং তৌখিবনি। ঙাক শেন মন্ত্রালয়না হায়-চাংয়েং অদুদা মিসাইল অদু শিজিন্নবগী অমসুং টেকিকেলগী ওইবা হীরম খুদিংমক্তা মায় পাক্লে। মদু স্ট্রেটেজিক ফোর্সেস কমান্দগী মখাদা পাংথোকখিবনি। মায় পাকপা অসিনা ভারতকী ঙাক শেনবগী তৌবা ঙম্বা শক্তীদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাপচিল্লে।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা উরিসাগী সমুদ্রদা লৈবা অব্দুল কল্লাম ইথৎ তগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই পুবা ঙম্বা অনৌবা মখলগী অগনি প্রাইম বালিসটিক মিসাইল অমসু ভারতনা মাই পাকা চাংয়েং তৌখি। অগনি মিসাইলশিং অসি শান্না কাপ্পা য়াবা, ন্যুক্লিয়র খুৎলাই পুবা ঙম্বা ভারতনা শাজবা লৈমাইদগী লৈমাইদা কাপ্পা বালিসটিক মিসাইলনি।

**তেলঙ্গানা ঃ** তেলঙ্গানা সরকারনা রাজ্য অদুগী জিলা ৩৩ গী মনুংদা জিলা ২৯ দি ঈশিং ঈচাও নংলে হায়না লাউথোকখ্রে। খুদক্কী ওইবা রিলিফকী থবক থৌরমগীদমক জিলা অমমমগী ওইনা লুপা কোতি অহুমগী শেনফম পীথনবসু

সরকারনা লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা মরিদা ঈচাও নংদুনা রিলিফকী থবক পায়খৎতুনা লৈরিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি-রেভান্ট রেদিনা লুচিংদুনা অৱাংবা থাক্কী খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙরাং হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখি।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-শান্তিকুমারীনা হায়-ঈচাও নংলে হায়না লাউথোক্লিবা অসি মমাং থাগী ৩১ দগীনা চৎলিবা থা অসিগী অহুম ফাওবদা ওইখিবা নোংজ্গী চাংগী মতুং ইন্ননি। মহাকা মখা তানা হায়-রাজ্য অদুদা নোং কা হেন্না তাবদগী লৈখিদবা মীগী মশিং পুন্না ২৯ শুরে। লোয়ননা রাজ্য সরকারনসু জিলা অমমগী ওইনা স্পিসিএল ওফিসার কয়া হাপ্পুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং লেপ্পুনা পায়খৎলি।